# সিটিজনসিপ বিলনা অৱাং নোংপোককী মীয়ামগী হক শোকহল্লোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখ্রে

***শোলাপুর, জনুৱারী ৯ঃ***

ঙসি মহারাষ্ট্রগী শোলাপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংলদুনা অৱাং নোংপোক্তা ৱাথোক ওইরিবা সিটিজনসিপ বিলগী মতাংদা লমদম অদুগী মীয়ামগী পূক্নিং চীংশিল্লদুনা বিল অদুনা মখোয়গী হকতা শোকহল্লোই হায়না থাজবা পীখ্রে।

সিটিজনসিপ বিল অসিগী মরমদগী বি জে পি অমসুং পার্টি অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগগী মরক্তা তোঙান–তোঙান তান্নরকহনখিবনি। মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অসাম অমসুং অৱাং নোংপোকী ইচিন–ইনাওশিং অমসুং ইচে–ইচনশিংদা লোয়ননা নহারোলশিংদা মখোয়গী হকশিং অমত্তা শোকহল্লোই হায়বসি ঐনা থাজবা পীবা পাম্মী।

বাংলাদেশ, পাকিস্তান অমসুং অফগানিষ্টানদগী লাকখিবা মুস্লিম নৎতবশিংদা ইন্দিয়ান সিটিজনসিপ পীগদৌরিবা, দ সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট)বিল ২০১৬ পুথোক্লিবা অসি মীয়ামবু মচেৎ তানা থুগাইবা অমসুং কান্নদবনি হায়না ফোঙদোক্লিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী প্রোটেষ্ট মরক্তা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোক সভাদা পাস তৌখি।

মীওই লাক্ষ কয়া মমিং য়াওরকখিদবা অসামগী দ্রাফ নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অদু মরুওইনা মুস্লিম ইমিগ্রেন্টশিংদা অতমনবা পান্দম থম্বনি হায়না মরান শিরকপগা লোয়ননা অনৌবা বিল অসিনা অমুক্ক হেন্না ৱাথোক ওইখ্রে।

বিল অসিগী ময়োক্তা লৈবশিংনা মরান শিরিবদি অনৌবা বিল অসিনা মুস্লিম নৎতবা ইমিগ্রেন্টশিংবু আইনা য়াবা ওইহল্লগা চহি কয়াগী মমাঙদা ইন্দিয়াদা ময়ুম হোংলকখিবা মুস্লিমশিংবু সিটিজন্স রেজিষ্টরগী য়ুমফমদা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎহনখিগদৌরি হায়রি।

সিটিজনসিপ বিল অদু পাস তৌখ্রবা মতুংদা অসাম অমসুংঅৱাং নোংপোককী মীয়ামদা শোকক্লোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।



মেঘলয়াদা চীফ মিনিষ্টর কোন্রাদ সাংমানসু মহাক্না বি জে পিগা তৌনরিবা এলায়েন্স মখা তাখিগদ্রা হায়বদু ৱারেপ লৌনবা মাগী পার্টিগা উন্নরগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ঐহাক্না ষ্টেট পূন্নমক্তগী পার্টি লূচীংবশিং কৌরগনি অমসুং মথঙগী খোঙথাংগী ৱারেপ লৌরগনি হায়খি।

বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা অতোপ্পা পার্টিগী লূচীংবা, মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙাসু অশাওবা ফোঙদোক্লকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙা অমসুং মহাক্কী পার্টি মিজো নেসনেল ফ্রন্ট (এম এন এফ)না ঙরাংগী অৱাং নোংপোক বন্দ শৌগৎখি অমসুং বিল অসি সেক্যুলারিজমগী ময়োক্তনি অমসুং অৱাং নোংপোক্তা ফত্তবা ফল তাহনগনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা মিজোরামগী খ্বাইদগী চাওবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাজেসন ওইরিবা শক্তি লৈরবা য়ঙ মিজো এসোসিয়েসন (ৱাই এম এ) না বিল অদুগী ময়োক্তা কন্না লেপ্পা ফিরেপ ফোঙদোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা চেরোল অমা ইদুনা থাখ্রে।

# চিনাগা থেঙননবা টাইৱানগী মিলিটরিনা চহি অসিদা অনৌবা মওংগী অচৌবা দ্রিলশিং পাংথোক্লবা লাওথোকখ্রে

***টাইপৈ, জনুৱারী ৯ঃ***

টাইৱানগী খুর্জি পায়শিন্নবা শক্তিঃ শিজিন্নবগী চিনানা নৌহৌননা কিহলক্লিবা অদু থেঙননবা পান্দমদা ঈথৎ অসিগী মিলিটরিনা চহি অসিদা অনৌবা মওংগী অচৌবা মিলিটিরি দ্রিলশিং পাংথোক্লবা ঙসি লাওথোকখ্রে।

টাইৱানগী আর্ম ফোর্সশিংনা অসিগুম্বা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং চাং নাইনা পাংথোক্লবসু চহি অসিগী দ্রিলশিং অসিদি চাইনানা লান্দারকপা য়াবগী ওইথোক্লিঙাই লৈবা অমা ঙাকথোক্লবগীদমক নৌনা লৌখৎপা টেক্টিকশিংদা য়ুমফম ওইবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী প্লানিং চীফ মেজর জেনরেল য়েহ কুও–হুউই গী



*টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং–ৱেন*

ৱাফম পল্লদুনা ওফিসিয়েল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

১৯৪৯ সিভিল ৱারদা চিনা মপূং লৈবাক্তগী মচেৎ তাখিবা মশানা লৈঙাকচবা দেমোক্রেসি চৎপা টাইৱানগী মথক্তা চিনাগী সোভরেন্টি লৈ হায়না ফিরেপ লৌরিবনি।

মপানগী ফোর্সশিংনা থূৎ থিঙজিনলকপা থিঙনবা করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি চিনানা ফোর্স শিজিনবগী হক লৈ হায়না চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ঈথৎ অসিদা পীবা জনুৱারি ২গী মেসেজদা হায়খিবনি।

প্রসিদেন্ট জিনা য়ু এসপু মমিং পন্দুনা হায়দ্রবসু ৱাসিংতননা ঈথৎ অসিদা মরুওইবা খূৎসু–খূৎলাই পীবা অমা ওইরিবনি।

মিল্লিয়ন ৩গী লান্মী লৈবা অমসুং মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা দিফেন্স বজেট (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৭০) হাপ্লিবা চিনানা টাইৱানগী মথক্তা য়ান্না চাওনা মিলিটরিগী শাহুম পীবা ঙম্মি।

# বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মে পার্লিয়ামেন্টতা মায়থিখ্রে, নো–দিল ব্রেক্সিটতা খুরৌ থেংনরগনি



***লন্দন, জনুৱারী ৯ঃ***

এক্কোর্দ অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোকপগী ময়োক্তা লৈবা লো মেক্করশিংনা ভোত অমা মায় পাক্তুনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টতা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মেগী গভর্ণমেন্ট মায়থিবা নঙখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা নো–দিল ব্রেক্সিট অমগী লন্বীদা অনৌবা খুরৌশিং থেঙনরগনি।

পার্লিয়ামেন্টতা ভোত লৌনখিবা অদুদা ভোত ৩০৩ – ২৯৬তা মায়থিহৌখিবা অদুনা মরম ওইদুনা দিল অমা তৌনদুনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোক্কবগীদমক গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টরি এপ্রুভেল মথৌ তারগনি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরগা নেগোসিয়েট তৌনরিবা ব্রেক্সিট দিল অদু অয়াবা পীগদ্রা হায়বগী মতাংদা মরুওইবা ভোত অমা ময়োক্লগদৌরিবা সুপ্নগী নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা ঙরাং মায়থিখিবা অদুনা মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট অমগী লূচীংবা ওইনা থেরেসা মেগী অশোনবা ফিভম অদু উৎলি। ভোত অসি নো–দিল ব্রেক্সিট অমা থিঙনবা মরুওইবা খোঙথাং অমনি। অদুবু পার্লিয়ামেন্টতা, কেবিনেটতা নৎত্রগা লৈবাক অসিদা এগ্রিমেন্ট অমা তৌনদনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোক্লবগী মেজোরিটি লৈত্রে হায়বদু মদুনা উৎলে হায়না ওপোজিসন লূচীংবা লেবর পার্টিগী জেরেমি কোরবীননা হায়খি।

অদুবু গভর্ণমেন্টনা ঙরাংগী ভোততা মায়থিখিবা অদু করিসু মরুওইদবা অমগুন্না লৌরি। মার্চ ২৯দা য়ু কেনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন থাদোকপা হায়বসিদা মসিগী এমেন্দমেন্ট অসিনা অহোংবা অমত্তা লৈহন্দে অমসুং মসিনা টেক্স কলেক্সন তৌবদগী গভর্ণমন্টেতা অথিঙবসু থল্লোই হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী তোক্লবগী মতুং ওইরকপা ফিভম পূন্নমক্তা টেক্স সিষ্টেম নিংথিজনা থবক চথহন্নবা ঐখোয়না পার্লিয়ামেন্টতা থবক তৌগনি হায়খি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী বৃটেননা তোক্ত্রিঙৈ থা ৩ ফাজিলক্ত্রবা মতম অসিগী মনূংদা প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মে না মাগী ব্রেক্সিট দিল অদু অয়াবা ফংনবা কন্না হোৎনগদৌরি।

# পাকিস্তানদা পীগদৌরিবা চাইনিজ মিসাইলনা ইন্দিয়ান নেভিগী ব্রহ্মমোসগী খুদোঙচাবা মমি শামহল্লবা য়াই




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৯ঃ***

ইন্দিয়ান নেভিনা ২০০৫কী মতমদগী হৌনা লৈরম্বা মরুওইবা মিসাইলগী খুদোঙচাবা অমা পাকিস্তনদা পীরকদৌরিবা শক্তি লৈরবা চাইনিজ মিসাইল অমনা মমি শামহল্লবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে।

খোঙ্জেলগী অয়াংবদগী শরুক ৩ হেন্না য়াংনা পায়বা ঙম্বগী শক্তি লৈবা, হান্না লৈনরম্বা শক্তিদা অহোঙবা পুরক্লগদবা চাইনিজ এন্টি –সিফ মিসাইল অমনা ইন্দিয়ান নেভিনা শিজিন্নবা মিসাইলগী শক্তিঃ মমি শামহল্লগনি।

ৱাই জে –১২ মিসাইলগী এক্সপোর্ট ভেরিয়েন্ট, সি এম – ৩০২ অসি হুদোঙ–ঝোঙহুৱা সিপ য়ার্দ, সাংহাইদা পাকিস্টান নেভিগীদমক শারিবা অনৌবা চাইনিজ ফ্রিগেট ৪গী মথক্তা মরুওইবা খূৎলাই ওইরবা য়াই।

পাকিস্টানদা ন্যু জেনরেসন চাইনিজ টায়প ০৫৪ ফ্রিগেটশিং য়োনবা মোনিটর তৌরিবা সেনিয়র দিফেন্স ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা অনৌবা কেপাবিলিটিগা লোয়ননা অনৌবা কিহনবা অমনি হায়রিবা সি এম–৩০২ অদু জহাজশিং অদুদা য়াওরক্লবা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক সি এম – ৩০২ অমা তসেংনমক কাপত্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়ান প্লেটফোমশিংদা টার্গেট তৌনবা মথৌ তারিবা লোঙ রেঞ্জ সেনসরশিং পাকিস্টান নেভিগী লৈত্রবা মরম্না হায়রিবা মিসাইলশিং অদুনা ইন্দিয়ান নেভিদা তসেংনমক অকিবা পীরকদবা মতম শাংনা ৱাৎলি হায়না ওফিসারশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

মসি ওইদুনসু ২০২১দগী থবক শীজিননবা হাপচিনগদৌরিবা অনৌবা চাইনিজ ফ্রিগেটশিং অসিগী মথক্তা সি এম –৩০২ থমখিবসি পাকিস্টান নেভিগীদমক অনৌবা শাথিনা তৌবা ঙম্বগী শক্তি অমা ফঙবনি।

য়ু এস স্পিসিয়েল ওপরেন্সস কমান্দগী ইন্দিপেন্দন্ট কন্ট্রেক্টর অমা ওইরিবা রেবার্ট হেদ্দিকনা ৱারওনদরোক্স.কোমদা ইবা ৱারেং অমদা ৱাই জে –১২ অসি হৌজিক ফাওবগী মনূংদা চিনানা পুথোকপা খ্বাইদগী খুদোঙথিনীংঙাই ওইবা এন্টি–সিফ মিসাইলনি হায়রি। মহাক্কী মতূং ইন্না, চিনাগী অসিগুম্বা মিসাইল শিজিন্নরকপা হায়বসি মিসাইল কম্পিটিসনদা য়ু এস নেভিনা চিনাদগী কয়াম শোত্থনা লৈহৌরবগে হায়বদু উৎলি হায়রি।

# ভি কে সিংহনা কোংগ্রেসপু রাফেলগী মতাংদা মীনম্বগী মরান শিখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৯ঃ***

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নল এফিয়ার ভি কে সিংহনা ঙসি কোংগ্রেসপু রাফেল দিলগী মতাংদা লৈবাকসিবু অরানবা পাউ পীদুনা মীনম্মী হায়দুনা মরান শিখ্রে।

অকনবা মওংদা কোংগ্রেসপু চৈরদুনা মহাক্না হায়খি, রাফেল দিলগী মতাংদা মোদি গভর্ণমেন্টতা ৱাহংশিং হংবগী মহুত্তা পার্টি অসিনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রিঙৈদা দিল অদু করি মরমগী তোকখিবনো হায়বদু মখোয়না লৈবাক অসিদা অহানবা শন্দোক্না তাক্কদবনি।

রাফেল দিলগী মতাংদা চয়েৎনবা অসিদা আর্ম ফোর্সশিংবুসু পুশিনবগীদমক কোংগ্রেসকী মথক্তা মিনিষ্টরনা চৈখি। মখোয় (কোংগ্রেস)না পাউখুমশিং ফঙবা পামদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না অহানবদা মখোয়গী পাউখুমশিং শোয়দনমক লৈবাক অসিদা পীগদবনি।

মরিলৈনবা থবক খুদিংমক তৌবা লোয়রবা অদুবু অরোইবা মীৎকুপ্তা মখোয়না দিল অসি করি মরমদগী তোকখিবনো হায়বসি লৈবাক অসিনা খঙবা মথৌ তাই। কোংগ্রেসনা মসি শন্দোক্না তাকপা ঙমৱা হায়না ভি কে সিংহনা এ এন আই ন্যুজ এজেনসিদা পীবা ইন্টভিয়ু অমদা হঙখি। মহাক্না মখা তারদুনা কোংগ্রেসনা ঐচ এ এলদা কন্টেক অদু কৈদৌঙৈগা পীখিদবগী মরম করিনো হায়নসু হঙখি। মখোয়না ময়েক শেঙনা থোক্লকদবনি অমসুং লৈবাক অসিদা শন্দোক্না তাক্কদবনি। মদুগী মতূং খক্তদা মখোয়না ৱাহং অমা হংনবগী হক অমা লৈগনি হায়না মহাক্না হায়খি।



ঐহাক্না ফঙখিবা অয়াম্বা মতমদা মখোয়না মীয়ামগী পূক্নিং থৈদোকখিনবা অমসুং পোলিটিকেল গেমগীদমক অরানবা ই–পাউ খক্তমক শন্দোকই। মখোয়না অচুম্বা অদু পামদে, অচুম্বা অদুদি মখোয় খঙই হায়না ভি কে সিংহনা মখা তাখি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহদা আর্মি চীফ ওইনা মহাক্না ইখিবা চেরোল অমগী মতাংদসু মহাক্না ৱা ঙাংখি।

আর্ম ফোর্সশিংদা চৎনরিবা সিষ্টেম অমসুং কাংলোনগী শরুক ওইনা মতম মতমগী চপ চানা করি থোক্লি হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টরদা ইদুনা ফোঙদোকই। অকক্লবা থৌদোক অসিদা, প্রাইম মিনিষ্টরদা মখল মখা কয়াগী অৱাৎপশিং অমসুং হোত্নোঙ–হোবশিংগী মতাংদা খঙহল্লি। মঙোন্দা ৱাফমশিং অদু খঙহনখ্রবা মতূংদা থবক অমত্তা পায়খৎলকখিদ্রে হায়না মিষ্টর সিংহনা হায়খি।

মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা ইখিবা অরোনবা চিঠি অদু মহাকপু মরান শিনবা লিক ওইহল্লকখি। চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা এদ্রেস তৌদুনা ইখিবা অরোনবা চিঠি অমা লিক ওইহনখিবা হায়বসিমক ঐহাক চপ চানা ঙকই। লিক অসিগীদমক মী অদু শোয়দনমক ফাঁশি তৌদুনা শিবগী চৈরাক পীরমগদবনি। মদু করি মরমদগী লিক ওইহনখিবনো হায়বদু ঐ খঙই। কনাগুম্বা খরনা মথৌ তাদনা ঐবু মরান শিবা পামখিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# নেসনেল সুপুত্রিদা লৈবা মিসনশিংদা চীংননিঙাই ওইবা পেকেজশিং থারকখ্রে

***মেলবোর্ন, জনুৱারী ৯ঃ***

ইন্দিয়ান কোন্সুলেট য়াওনা মেলবোর্নদা লৈবা দিপ্লোমেটিক মিসন কয়ামরুমদা ঙসি চীংননিঙাই ওইবা পেকেজশিং থেঙনখ্রে অমসুং অষ্ট্রেলিয়ান ওথোরিটিজনা অচৌবা ইমর্জেসিগী খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে।

মেলবোর্নগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ামদ্রবদা ইন্টনেসনেল কোন্সুলেট ১০দা পেকেজশিং অদু পীশলম্বা মতূংদগী অচৌবা ওপরেসন অমা চথখি।

ইন্দিয়ান কোন্সুলেট অমসুং য়ু এস কোন্সুলেটতা ফায়ার ফাটরশিং অমসুং এম্বুলেন্স ভিক্টোরিয়া, পেরামেদিকশিং থৌরাং থৌখ্রে।

এম্বেসিশিং অমসুং কোন্সুলেটশিংদা থাজিল্লকখিবা চীংননিঙাই ওইবা পেকেজশিং অদুগীদমক পুলিস অমসুং ইমর্জেসি সাভিসেস শিংনা থবক লৌখৎখ্রে।

ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংনা পেকেজশিং অদু য়েঙশিনখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু ইনভেষ্টিগেসন তৌরি হায়না অষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পুলিসনা ত্বিটরদা হায়রকখি।

মেট্রোপোলিটান ফয়ার ব্রিগেদনা মখোয়সু মেলব্রোনগী মফম কয়াদা লৈরিবা এম্বেসিশিংদা থৌদোক কয়াদা অষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পুলিসতা মতেঙ পাংলি হায়খি।

কোল্লিন্স ষ্ট্রিটতা লৈবা য়ুনাইটেদ কিঙদম কোন্সুলেটস, সেন্ট কিলদা রোদতা লৈবা কোরিয়ান কোন্সুলেট অমসুং ইটালিয়ান কোন্সুলেট, ক্লিন্স ষ্ট্রিটতা লৈবা জর্মন কোন্সুলেট অমসুং ইন্দোনেসিয়ান কোন্সুলেট, এসৱুদতা লৈবা স্বিস কোন্সুলেট, কারদিগান প্লেস্টতা লৈবা পাকিস্টান কোন্সুলেট, অলবার্ট রোদতা লৈবা গ্রীক কোন্সুলেটতসু চীংননিঙাই ওইবা পেকেজশিং থাখি হায়না চীংনরি।

কেমিকেল সুটশিং শেৎপা ইমর্জেন্সি ৱার্করশিংনা বিলদিং খরগী মনূংদা চঙখিবা উই। হৌজিক ফাওবদদি অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে। ঙসিগী ফিভম অসি অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা লৈবা অজেটিনিয়ান কোন্সুলেটতা চীংননিঙাই ওইবা অঙৌবশিংগী পাওদর লৈরম্বা থেঙনখিবা অদুগী নুমিৎ নীনিগী মতূংদনি।

# নোরৱে টায়কুনগী মাঙখ্রবী নুপীগী থাদোকমল য়ুরো মিল্লিয়ন ৯ পীয়ু হায়রকখ্রে



***ওস্লো, জনুৱারী ৯ঃ***

নোরৱেজিয়ান মলটি–মিল্লিনর অমগী চয়োল ১০ থিবা খঙলকত্রবী লোয়নবী কিটনেপ তৌখিবনি থাজনরি অমসুং মহাক থাদোক্লবগীদমক য়ুরো মিল্লিয়ন ৯ (দোল্লর মিল্লিয়ন ১০.৩) ক্রায়পটো করেনসিদা পীনবা দিমান্দ তৌরকখ্রে হায়না ভরদেন্স গেঙ (ভি জি) পাউ–চেনা ফোঙদোক্লকখ্রে।

এনি–এলিজাবেথ ফোলকেভিক (৬৯) ওক্টোবর ৩১দগী মাঙখিবনি। মাগী ইমুং–মনূংনা থাদোকমল অদু পীদ্রবদি মহাক্কী মথক্তা হীংশা শিজিনগনি হায়না কিটনেপরশিং অদুনা কিহল্লকখ্রে হায়রি।

মহাক্কী মপুরোইবা অসি রিয়েল ইষ্টেট অমসুং ইনর্জি সেক্টরদগী মরল–মথুম পায়খৎলকখিবা টোম হেগেন কৌবা ব্যুজিনেসমেন অমনি।

# ত্রিনামুলগী শৌমিত্রা খান বি জে পিদা চোঙশিলকখ্রে

***কোলকাতা, জনুৱারী ৯ঃ***

বি জে পিনা হৌখিবা দিসেম্বর থাদা রথ যাত্রাশিং চৎতুনা বেঙ্গলগী লান হৌরমগদবনি অদুবু মদুগী মহুত্তা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী হৌজিক লোক সভাগী মেম্বর ওইরিবা অমবু ঙসি পার্টি অসিদগী চীংথোক্লত্তুনা লান অদু চথবা হৌখ্রে।

মশাগী চহি ৩৮ শুরবা শৌমিত্রা খানবু ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পি হেদ ক্বার্টরসতা তরান্না ওকখি। বি জে পিগী লূচীংবা অমসুং মিনিষ্টর ধরমেদ্রা প্রধাননা ২০১৯ মীখলদা নরেন্দ্র মোদিগী খ্বাইদগী কনবা লানবন অৱাং নোংপোক্না ওইরগনি, ঙসিগী অসি মায়কৈ অদুদা থাংলক্কদৌরিবা অপীকপা খোঙথাং কয়ামরুমগী অমনি হায়খি।

ঐহাক্না নরেন্দ্র মোদিগী শবকা শাথ শবকা বিকাস মপূং ফানা শৌগৎলি। ত্রিনামুলদা দেমোক্রেসি লৈতে মদু ঐনা কন্দেম তৌই অমসুং ঐহাক বি জে পিদা য়াওরক্লে হায়না লোক সভা এম পি শৌমিত্রা খাননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পোলিটিসিয়ান অসিগীদমক থোঙ অমা হাংদোক্লে অদুগা অতোপ্পা অমা থিঙজিনখ্রে। ত্রিনামুলনা মহাকপু পার্টিদগী তাদ্বোকখ্রে। মহাক ২০১৪দগী বেঙ্গলগী বাংকুরা দিষ্ট্রিক্টকী বিষ্ণুপুরদগী ত্রিনামুল এম পি ওইরকখিবনি। মসিগী মমাঙদা মহাক কোংগ্রেস এম এল এ অমা ওইরম্মী।

# থাঙনা মমায়দা লেনথৎপা চহি ২৫ শুরবী নুপীগী হকচাং সুটকেসতা য়াওরম্লে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৯ঃ***

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা নোংপোক থঙবা দিল্লিদা চহি ২৫ রোম শুরবী নুপী অমগী হকচাং সুটকেস অমগী মনূংদা নমশিল্লগা থল্লম্বা থেঙনখ্রে।

পুলিসনা নুপীদুগী মশক খঙবা ঙমদ্রি। ওটোরিক্সো অমদা চৎপা মীওই অমনা কোন্দলি কেনেল মনাক্কী লম্বী মতাইদা তাদুনা লৈবা সুটকেস অদু উখিবনি অমসুং পুলিসতা পাউ পীরকখিবনি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

সুটকেস অদু হাংদোক্লুবদা মমায় উপশিল্লগা লৈরম্বা নুপী অমগী হকচাং অদু পুলিসনা থেঙনখি। নুপী অদুগী মমায় অদু থাঙনা কয়ারক হন্না লেনথৎলমখি। মাগী মখূৎতা মোহিত হায়না ট্টেটু ওইনা হকক্লমই হায়না পুলিসনা হায়খি।

দিল্লি পুলিসনা থৌদোক অসি থিজিনবা হৌখ্রে অমসুং মফম অদুগী সিসি টিভি ভিদিওশিং য়েঙশিনখ্রে। সুটকেস অদুদা করিগুম্বা অমত্তনা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা লঙলা–লঙজিন অমত্তা পীবা ঙমদ্রে হায়না পুলিসকী লিখুলশিংনা হায়রি।

অঙকপা থৌদোক অমদা হৌখিবা চহিগী সেপ্টেম্বরদা ঘাজিয়াবাদতা মীরোনবী নুপী অমা হাৎপা অমসুং হকচাং অদু সুটকেস অমদা হাপচিলম্বগীদমক মতে–মনাও ফাখিবা লৈখ্রেবনি।

## GAS TODAY

**Imphal L P G Service**
Booking upto : 06/12/18
Valid from : 20/11/18
Sl. No. : 222
Stk : 612, 19kg-27
Time : from 08.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking upto : 05/01/19
Valid from : 30/12/18
Stk : 306, 19kg-aval.
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking upto : 24/11/18
Sl. No. : 220
Valid from : 22/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking upto : 11/12/18
Valid from : 10/11/18
Stk. : 812
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking upto : 30/11/18
Valid from : 20/11/18
Stk :540

**Lamsang Gas**
Booking upto : 01/12/18
Valid from : 26/11/18
Stok : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking upto : 19/11/18
Valid from : 11/11/18
Stk : 882
Time : 08.00 to 11.30 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking upto : 19/12/18
Sl. No. : 300
Valid from :09/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking upto : 11/12/18
Valid from :03/11/18
Stk :306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley Gas(Kwakta)**
Booking upto : 18/10/18
Valid from : 04/10/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R B D Indane**
Booking upto : 05/12/18
Valid from : 20/11/18
Stk : 918
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas (Bisnupur)**
Booking upto : 01/09/18
Valid from : 27/08/18
Sl. No. : 988 to 1300
Stk :306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking upto :13/11/18
Valid from : 07/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking upto : 05/01/19
Valid from : 28/12/18
Stk. : 612
Time : 07.30 to10.00 a.m.

**R & H Indane**
Booking upto : 06/12/18
Valid from : 21/11/18
Stok : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking upto : 11/12/18
Sl. No. : 550
Valid from : 09/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M. M. Gas**
Booking upto : 27/11/18
Valid from : 20/11/18
Stk :612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas (Nambol)**
Booking upto : 24/11/18
Valid from :20/11/18
Sl. No. : 11890 to 12213

**J Rongmei Gas, Wangoi**
Sl. No. : 27277 to 27550
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Ashangbi Gas (Sugnu)**
Booking upto : 12/11/18
Valid from : 03/11/18
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**Swombong Indane**
Booking upto : 21/11/18
Valid from :10/11/18
Stk :306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**T D K Gas (Sekmai)**
Booking upto : 16/11/18
Valid from : 11/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-9**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | | 4 | 7 | | 2 |
| 3 | 2 | | | 8 | | | 4 | |
| 6 | 5 | | | | 2 | | 8 | |
| | | 1 | | 4 | | | 7 | 5 |
| 7 | | 8 | 2 | | | | 6 | |
| | 4 | | 8 | | | 2 | 3 | |
| 4 | | | 7 | 2 | | | | 8 |
| | | 5 | | 6 | | | | 7 |
| | | 2 | | | 5 | 4 | | |

**সনা–সুদোকু –৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 5 | 8 | 6 | 9 | 7 | 4 | 2 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 2 | 9 | 6 | 4 | 7 | 5 | 8 | 1 | 3 |
| 9 | 7 | 3 | 6 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 |
| 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 | 6 | 8 |
| 5 | 3 | 9 | 1 | 4 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 1 | 2 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 7 | 9 |
| 7 | 6 | 4 | 2 | 9 | 8 | 3 | 5 | 1 |